# ইন্দিয়াগী অহানবা ওইনা গোল্ড মেদল লৌরক্লবা জুনিয়র ৱর্ল্ড ৱুশু চেম্পিয়ন ৱাই জেসন

হান্নগী মখা...

ৱারী মখা তারদুনা ৱুশুগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন (জুনিয়র) জেসন্না হায়, ঐহাক্না ফাইনেলদা থেংনখিবা চিনা মচা অদুদি য়াম্না স্পিদ লৈনা শান্নে। ৱুশু ফজনা হৈ। চিনাগী ওইনা শানসৌদা পার্টিসিপেট তৌবসি প্লেয়র নিপাননি। মখোয় নিপানগী মনুংদা তরেৎনা গোল্ড লৌখি। ঐগা থেংনবসিখক্তনি শিলভর ফংখিবসি। মাসু গোল্ড মেদলগী আশাদা মুকখায়রগদি লাকখিবনি। ৱুশু হায়বা গেমসি চিনাদগী হৌদোরকপা মশান্ননিনা মখোয় লোইনমক য়াম্লসু হৈ। চহী খুদিংগী ওইনা অয়াম্বা মেদলসি মখোয়না পুরগা অদুম হনখিবনি।

অদুগা ঐগী ৱাখলদসু অহানবা পার্টিসিপেট তৌবা ওইরবসু ঐ গোল্ড মেদল শোয়দনা লৌগনি খল্লগা চৎখি হায়বগী ৱানি মতাং খরদদি খন্না খন্না পূক্নিং পীকথবসু অদুম য়াওখি। শান্নমিন্নরিবা ঐখোয় ময়ামগী মনুংদা ঐনসু ইপিক পীকই। ৱাং চাউবা, ঐগী ৱেথ মান্নবা কাঙবুগা লেপমীন্নবা মতমদা ৱাখলসি খঙহন খঙহন হন্থরকই। থংনবা মিৎকুপ্পুদা ঐনা অমুক খল্লি, হেরা নহানমখৈ অসুক য়াম্না ৱানা হোৎনদুনা লাক্লগা পূক্নিং শোন্থবা হৌনদে। শেল তিংনা অসুক লাপ্না লাক্লগা গোল্ড লৌদনা ঐহাক খক হল্লোই। অদুমাইনা খিত্তং পূক্নিং শোন্থরক্কে তৌবা মতমদুদা ওজাশিংনা ইনকরেজ তৌবীরকপসি য়াম্না নুংঙাই। ঐদি মুদসি শৎ হেক্তা কাপখৎপা ঙম্মী। গোল্ড মেদল লৌদবদি শুকয়া য়ারোই হায়বসি পূক্নিংদা চপ য়ুংনা খল্লি।



সাই কোচ এম প্রেমকুমার (ময়ায়) ৱাই জেসন (জুনিয়র ৱর্ল্ড ৱুশু চেম্পিয়ন, ওই) অমদি এন রোসিবিনা

খোঙসিদি ইন্দোনেসিয়াগা, ইজিপ্টকা শান্নবদা নাবা হৌখ্রবনি। কমাইনা শান্নসিগে হায়বসিমদি কুপ্না অদুম খঞ্জে। খোঙ নারবসু শান্নদৌ লৈরবা, ঐনা নারে হায়দুনা তোকপসু য়াররোইদবসিদা ঐহাক্না পূক্নিং হন্থগদবা নত্তে। ঐহাক গোল্ড লৌননবা শান্নবা তাই হায়বসি কোন্না খল্লকখি।

ঐহাক্না তরুকশুবা জুনিয়র ৱর্ল্ড ৱুশু চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা থেংনখিবা চিনা মচাদুগী মমিংদু জুনিয়াং কৌই। শান্নবসি ঐনা ব্লু কোর্নরদা তাই। অদুগা মহাক্না রেদ কোর্নরদা তাই। নুমিৎতুদা ঐখোয়নীগী জজ ওইনা চঙখিবসি ভিএটনাম মচানি। শান্নরমদাইদা ঐখোয় অনীসি শৎ শৎ চঙশিন্নরগা হেক্তা শান্নদে। লাপ্তক্না ঙৈহাক লৈনৈ। আই কন্টেক্তা য়েংনরগা করি করি ষ্টাইলদা

## ৱুশুদা মিৎয়েং অমা

### রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

তৌরক্কদৌরিবনো হায়বসিদা কুপ্না য়েংনৈ। বোদি লেঙ্গৈইজসিদা খঙননবা হোৎনরবা মতুংদা শান্নবসি হৌদোইনি। মহাকসু মখোঙ মখূৎসি য়াম্না থুবা প্লেয়রনি। অদুগীসু মথক্তা মহাকসি নাপল অমা য়াওনা এক্ত তৌরকপা মানবা, নঙদি কৈসু নত্তেদা হায়বগুম্না এটেকসি চঙলকপদা ঐঙোন্দদি ব্রঙ শাওহনবা অমা ফাওহনখ্রে। মদুনা ঐগীদি পাঙ্গল হাপ্পা হায়বদু ওইখ্রে। মতাংদুদদি ঐবু তন্বীরকপা ওজা গুরু, ইমা ইপা লোয়না নীংশিংলক্লে। ঐসু নিপামচানি, ঙম্ননবা শান্নরগে হায়বসি

চপ য়ুংনা খনখ্রে। ঐঙোন্দা খরা নুংঙাইনা শান্নজবা ঙমখিবগী অচৌবা মরম অমদি, মহাক্না সেমী ফাইনেলদা শান্নবসি ঐনা মোবাইলদা ভিদিও নমহৌই। ভিএটনাম মচা অমগা মহাক্না শান্নবসিদা করম্না টেক্নিক শীজিন্নৈ হায়বসি মুন্নসু য়েংহৌই। হয়েং শান্নগনি হায়বগী অহিংসিদা হঞ্জিন হঞ্জিন্নসু কুপ্না য়েংখি। মানসু ঐগী টেক্নিক অদুম খঙলমগনি। তশেংবদি মানা শান্নরিবা ষ্টাইল, শীজিন্নরিবা টেক্নিক অসি ঐনা ৱুশু শান্নবা হৌরকপা মতমদা কন্না শীজিন্নরম্বা টেক্নিকনি। অদুনা মদুগুম্বা খূৎশান্নদু করম্না থেংনগনি

হায়বসি ঐগী ৱাখলদা ফজনা লৈ। চাইনিজ মচা জুনিয়রগী য়াম্না হৈশিংবসি মখোঙনি। শৎ-শৎ কাওবসি য়াম্না ফাষ্ট ওই। অদুবু থ্রোয়িংদদি মহাক কয়া লিংদে। ফোর্স য়াওনা লংবা ঙমদে। অতোপ্পা মাগী ষ্টাইল অমনা, লাও খোংলগা পুরা প্রেসর পীরগা বোদি লেঙ্গৈইজ য়াওনা শান্নবা মীদানি। মরক্তুদা সেকেন্দ কোচ অসি হৌগৎলগা খংলাও লাওশিনবী। ব্রুশলিনা তৌবা মওংদুগা হাইফেৎ মানবা খরসু তৌই। মাগী টেক্নিক, ষ্টাইল ময়ামদু লোইনা খঙদোক্লবনিনা ঐঙোন্দদি থুক্কৎপা, পাখৎপা করিসু অমত্তা ফাওদনা নুংঙাইনা শান্নবা ঙমখি। আর্ট এক্তিংদা লাও খোংবা, মমিৎ-মনা তৌদুনা প্রেসরদা শান্নবসি ঐখোয়দদি করিসু ফাওহনবা ঙমদে। মীনা উশিৎতবা হৌরক্লবদি মীতৈ মচাগীসু তোঙানবা অমদি লৈজে।

ফাইনেল শান্নবসিদা মানা এটেকসি অদুম হাল্লি। মানা য়াম্না এটেম্প তৌগনবা মফমসি থাইসিনি। ফেগনসিদা অদুম কাওননবা হোৎনরক্কনি। মদুগুম্বা তাঞ্জাদুদা ঐনা কিন শৎ থিনগনি। কিন্না মাইদা পানবগী ঙৈহাকত্তান মাঙলিঙৈদুদা অমুক খোঙ য়েৎসিনা খপচিন্দুনা কাওরগা পোইন্ট লৌহৌগনি। মহাক্না এটেক তৌরিমখৈ ঐনা কাউন্টর হন্দুনা, দিসবেলেন্স ওইরিঙৈদুদা থ্রোয়িং শৎ অমুক লংলগা, পোইন্ট অমুক হাপচিনহৌগনি। মহাক্না লাও খোঙদুনা ব্রুশলি মতাংসি ঐঙোন্দদি হেন্না হেন্না শাওগৎহন্দুনা পাঙ্গল কনখৎহল্লকই। ঐখোয় মীতৈ মচাদি মীনা তাথি তাওইনা তৌবসি হৈনদে। মহাক্না শাওহনলকখিবা অদুনা ঐঙোন্দদি মায় পাক্না থৌনা হাপ্পগুম থোকখি। -মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –২৬

1. লালহৌবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা ইন্দিয়াগী ওলেম্পিক হোকিগী কেপ্তেন অদু কনানো?
2. করম্বা মণিপুরগী নিংথৌ হাক্তক্তা ৱারিবম বোরাচাওবনা কাং শান্নবদা মমিং চৎখি?
3. অনীশুবা লাঞ্জাওদা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈনবা ফিল্ম অমদা কোর্পোরেল লুইজ ফর্ণান্দেজগী শক্তম লৌখিবা অমদি ৱর্ল্ড ফুটবোল কপকী চেম্পিয়ন ওইখিবা টিম অমগী শান্নরোয় অদু কনানো?
4. কুমজা ১৯৮০ গী মোস্কো ওলেম্পিক গেমসদা হোকি অম্পায়র অমনা মেচ শান্নবা হৌনবা হুইশেল হেক খোঙবগা শান্নরোয়শিং অদুনা করম্না মেচ অদু হৌখি?
5. মমিং চৎলবা শান্নরোয় অনী অসি কনা কনানো?☞



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ২৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুর ওপন চেছকী মরিশুবা রাউন্দ লোইবদা সঞ্জয় অমসুং ফোলেন্না মাঙজিল থারি



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ মণিপুর চেছ এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক কাংশঙদা চথরিবা অনীশুবা মণিপুর ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি মরিশুবা রাউন্দ শান্নবা লোইখিবদা কে ঐচ সঞ্জয় অমসুং এ ফোলেন মখোয় অনীনা পূন্না পোইন্ট ৪/৪ ফংদুনা মাঙজিল থাখ্রে। এল লালগোপাল শর্ম্মা, ঈ সসিকান্ত, ঐচ জেকি, এস প্রেমজিৎ অমসুং কে পোইরৈখোম্বা মখোয় মঙানা পোইন্ট ৩.৫/৩.৫ ফংদুনা সঞ্জয় অমসুং ফোলেনগী মতুং নক্না ইন্নরি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মঙাশুবা রাউন্দ অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদগী শান্নবা হৌগনি। নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদনা তরুকশুবা রাউন্দ শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী অহানবা টেবলদা এল লালগোপাল শর্ম্মা (৩+.৫) অমসুং ঈ সসিকান্ত (৩+.৫) দ্রো ওইদুনা পোইন্ট তঙ্খায় য়েন্নখ্রে। অনীশুবা টেবলদা কে ঐচ সঞ্জয় (৩+১) না ৱাই শঙ্কর (৩+০) মায়থীবা পীদুনা শান্নরোয় পূম্নমক্কী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে। অহুমশুবা টেবলদা এ ফোলেন (৩+১) না এন বঙ্কিম (৩+০) মায়থীবা পীদুনা ফোলেন অমসুং সঞ্জয় পোইন্ট চপ মান্ননা ফংদুনা মাঙজিল থামিন্নখি। মরিশুবা টেবলদা ঐচ জেকি (২.৫+১) না সেপসন কৈশিং (৩+০) মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা টেবলদা এস প্রেমজিৎ (২.৫+১) না ঐচ মনিতোন (২.৫+০) মায়থীবা পীখি। তরুকশুবা টেবলদা কে পোইরৈখোম্বা (২.৫+১) না কে মেরাজাও (২.৫+০) মায়থীবা পীখি। তরেৎশুবা টেবলদা এল সেক্সপিয়র (২+১) না এম মোধুসুদোন (২+০) মায়থীবা পীখি। নিপানশুবা টেবলদা জি ইনাও (২+১) না এ বিনিট (২+০) মায়থীবা পীখি। মাপনশুবা টেবলদা এন রাজোবর (২+১) না আর কে লালমনি (২+০) মায়থীবা পীখি। তরাশুবা টেবলদা মলেসাই দাওহু (২+১) না টি সোমোরেন্দ্রো (২+০) মায়থীবা পীখি। ১১ শুবা টেবলদা ঐচ সোমোকান্ত (২+১) না এম পিশক (২+০) মায়থীবা পীখি। ১২ শুবা টেবলদা এন জি ভগিরৎ (২+১) না এন পারি (২+০) মায়থীবা পীখি। ১৩ শুবা টেবলদা পি রাজেন্দ্র প্রসাদ (২+১) না কে ঐচ পিঙ্কি (২+০) মায়থীবা পীখি। ১৪ শুবা টেবলদা টি ঐচ হরিদেব (২+১) না এন শান্তি (২+০) মায়থীবা পীখি। ১৫ শুবা টেবলদা ও নিংথেম (১.৫+১) না টি ঐচ জুগেশ্বর (২+০) মায়থীবা পীখি। ১৬ শুবা টেবলদা ঐচ রোজর (১.৫+.৫) অমসুং ঐচ ইবোচৌ (১.৫+.৫) দ্রো ওইদুনা পোইন্ট তঙ্খায় য়েন্নখি।

# বিষ্ণুপুর সেকেন্দ, থার্দ দিভিজন লীগ



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১১ শুবা এন বলানন্দা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ অমসুং অনীশুবা এ ইবোতোন থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী মেচতা কে ৱাই সি অদুগা থার্দ দিভিজন লীগকী মেচতনা এন ঈ ৱাই এ মায় পাকখ্রে। থার্দ দিভিজন লীগকী অতোপ্পা মেচ অমনা দ্রো ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী মেচ অদুদা কে ৱাই সিনা এম পি টু ৱাই এ গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা কে ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নখিবনা মেচ অদুগী ১২ শুবা মিনিটতা বোনানা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল অথানা ন্যুমাইনা মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা এম পি টু ৱাই এগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনজরবসু গোল হন্দোকপা ঙমদনা কে ৱাই সিগী মখূৎতা মায়থীহৌখি। মেচ অদুদা এম পি টু ৱাই এগী কিংসন অমসুং কে ৱাই সিগী বোনাদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা থার্দ দিভিজন লীগকী অহানবা মেচতা এ কে এস এ জুনিয়র অমসুং পি আই সি গোল ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবা মেচ অদুদা এ কে এস এ জুনিয়রগী গোল অদু এম দি ফারুখনা মেচকী অহুমশুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা পি আই সিগী শান্নরোয় সামসন্না মেচকী ৩২ শুবা মিনিটতা গোল অমা চন্দুনা টিম অনীমক গোল ১-১ চন্নরগা লোইশিনখি।

ঙসি শান্নখিবা থার্দ দিভিজন লীগকী অনীশুবা মেচতা এন ঈ ৱাই এনা ঈ সি ঐচ ও গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা এন ঈ ৱাই এগী মায় পাকপগী গোল অদু এন রোজিৎনা মেচকী ১৫ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা এন ঈ ৱাই এগী এন রোজিৎ মেচকী ৩২ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

# কেনো স্প্রিন্ট অমসুং দ্রেগোন বোটতা শরুক য়ারুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

ইন্দিয়ন কয়াকিং এন্দ কেনোয়িং এসোসিএশন (আই কে সি এ) ন্যু দেল্লিগী মিৎয়েং মখাদা রাজস্থান কিয়াকিং এন্দ কেনোয়িং এসোসিএশন্না শিন্দুনা চহীসিগী নবেম্বর ১৮ দগী ২০ ফাওবা উদয়পুরদা লৈবা ফটে সাগর লেগতা ওল ইন্দিয়া কেনো স্প্রিন্ট চেম্পিয়নশিপ অন্দর-১৮ জুনিয়র মেন'স এন্দ ৱিমেন'স অমসুং ৫ শুবা নেসনল দ্রেগোন বোট ফোর সেনিয়র মেন এন্দ ৱিমেন'সতা মণিপুরগী মহুৎ শন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে।

ওল মণিপুর কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং এসোসিএশন্না নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ানবগীদমক খনখ্রবা দ্রেগোন বোটকী নুপাগী শান্নরোয় ১২ অদুদি ঐচ হরিদাস (ষ্টিয়র), কে ঐচ কেলভিন (দ্রমর), অমোস ইরোম, এ ৱাংথোই, এ নাওচা, এন জেৎলি, এল বেদজিৎ, এন লমঙানবা, পি নিদা, এন সতুরজিৎ, লাইশ্রম অমর অমসুং টি ঐচ রোসননি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা এ ননাও (ষ্টিয়র), দল্লিয়ু তামা (দ্রমর), মৈনম সঞ্জু, আর কে সনাজাওবী, ঐচ তম্পাক লৈমা, কে ঐচ ইন্দিরা, টি ঐচ রোসনি, থৌদাম গিতা, ৱাই শ্যামাশখি, হাওবিজম সোনিকা, হৈস্নাম বিমোলা অমসুং এম বিনারানিনি।

চহী ১৮ মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী ওল ইন্দিয়া ওপন কেনো স্প্রিন্ট চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা শরুক য়ানবগীদমক খল্লবা নুপাগী শান্নরোয় তরেৎ অদুদি এম রোবিন (কেনো), আর কে জিলবর্ট (কেনো), টি ঐচ সাইলেস (কেনো), এ অশোক (কেনো), এস রোমিও (কয়াক), এন নিভাস (কয়াক) অমসুং ৱাই গীতচন্দ্র কয়াকনি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা এন রোমিলা (কেনো), এম উর্মিলা (কেনো), এস অর্সে (কেনো), এম সুরমালা (কয়াক) অমসুং এল মমোতা (কয়াক) নি। মণিপুর টিম অসিগী কোচনা এন ওষ্টিন (এন আই এস), টিম মেনেজরনা গম্ভির খুম্নোংময়ূম, টিম ওফিসিএলনা আর কে খেদানি।

# মণিপুর জুনিয়র বোইজ থ্রো বোল টিম ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ গুজরাটকী অহম্মেদবাতদা লৈবা কোখরা স্পোর্টস কমপ্লেক্স মনিনগরদা নবেম্বর ৩ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৭ শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস নেসনল থ্রো বোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা জুনিয়র বোইজগী টিম শেমখিবগা লোয়ননা মণিপুর টিম থা অসিগী ৩০ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ানবগীদমক্তা থ্রো বোল এসোসিএশন ওফ মণিপুরনা খনখ্রবা শান্নরোয়শিংদি টি হিলু, এল মোনা, এস ইন্দ্রমনি, এম সিলি, দেরোন পামৈ অরুন, টি ঐচ মার্টিন, ইপিন অহৈবম, চলাম্বা থোংব্রম, পি ঐচ সিমসন, রজিব সিংহ ফৈরোইজম, কে রাখেস অমসুং সুরদাস য়ূমলেম্বমনি।

মণিপুর জুনিয়র বোইজ থ্রো বোল টিম অসিগী কোচনা দল্লিয়ু বিরেননি। অদুগা টিম মেনেজরনা ও কুমারনি হায়না থ্রো বোল এসোসিএশন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ও কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# কোচ/পি ঈ টিগী সার্টিফিকেট কোর্স

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ মীয়াম পূন্না স্পোর্টসতা শরুক য়ামিন্নবা হায়বা থৌরমগী মখাদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস কোচশিং অমদি পি ঈ টিশিংগী ওইবা থা তরুক্কী সার্টিফিকেট কোর্স অমা দিসেম্বর ১৮ দগী কুমজা ২০১৭ জানুৱারী ২৫ ফাওবা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম তরুক্তা পাঙথোক্লগনি। সাই, এন এস এন আই এস, পটিয়ালানা শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা সার্টিফিকেট কোর্স অসি ইম্ফাল য়াওনা গান্ধিনগর, ঔরঙ্গবাদ, গুন্টুর, ভুবনেশ্বর অমসুং রাজস্থান্দা পাঙথোক্কনি। শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

# নোর্থ ইষ্ট করাটে দো চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরনা পূন্না মেদল ২১ লৌরক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ ঃ

সিক্কিমগী কোনুং গেংটোক্তা লৈবা পালজোর ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখিবা ওক্টোবর ১৪ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৪ শুবা নোর্থ ইষ্ট করাটে দো চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংনা পূন্না মেদল ২১ লৌরক্তুনা চাউনা মায় পাক্লক্লে।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর অমেচর করাটে দো এসোসিএশন (মাকা) গী শান্নরোয়শিংনা গোল্ড মেদল অমা, শিলভর মেদল ৭, ব্রোঞ্জ মেদল ১৩ ফংলকখি। গোল্ড মেদল অদু নুপাগী চহী ১৪ দগী ১৫ ফাওবগী কেজি ৫৭ মখাগী কুমিটেদা লনচেনবনা ফংলকখি।

শিলভর মেদলশিং অদু নুপীগী চহী ১১ গী কুমিটেদা এন দাইনা, নুপাগী কাঙলুপ্তা এম রোবার্টসন, নুপীগী চহী ১৪ দগী ১৫ ফাওবগী কেজি ৫৪ মখাগী কুমিটেদা ৱাই পুস্পা, কেজি ৬৩ মখাগী নুপাগী কাঙলুপ্তা এস মনিস্না, নুপীগী চহী ১৬ তগী ১৭ ফাওবগী কেজি ৫৯ মখাগী কাঙলুপ্তা ঐচ রোসনি, নুপাগী কেজি ৫০ মখাগী কুমিটেদা টি ঐচ প্রেমচান্দ অমসুং নুপাগী চহী ২১ মথক্কী কেজি ৭৫ মখাগী কুমিটেদা এল সঞ্জিৎনি।

ব্রোঞ্জ মেদলশিং অদু নুপীগী চহী ১২ মখাগী কুমিটেদা এ আশারানি, চহী ১৩ মখাগী নুপীগী কাঙলুপ্তা এন নিত্রিদিক্সন, নুপাগী চহী ১৩ মখাগী কাটাদা টি ঐচ সুরজ, নুপাগী চহী ১৪ দগী ১৫ ফাওবগী কেজি ৪৫ মখাগী কুমিটেদা গুনেশ্বর, কেজি ৫২ মখাগী কাঙলুপ্তা রিসি, নুপাগী কেজি ৭০ মখাগী কাঙলুপ্তা ঐচ ঙান্থোইবা, নুপীগী চহী ১৬ তগী ১৭ ফাওবগী কেজি ৪৮ মখাগী কুমিটেদা এল জিবনলাতা, নুপাগী কেজি ৬১ মখাগী কুমিটেদা এস ঐচ ৱিল্লিয়ম, কেজি ৬৮ মখাগী কাঙলুপ্তা এ জোনসন, কেজি ৭৫ মখাগী কাঙলুপ্তা ও চীংলেনসনা, নুপাগী চহী ১৮ দগী ২১ ফাওবগী কেজি ৫৫ মখাগী কাঙলুপ্তা সি ঐচ রাজুনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংখিবগা লোয়ননা মহাক্না নুপাগী চহী ১৮ দগী ২১ ফাওবগী কাটাগী ইভেন্টতসু ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংখি। মহাক্না চেম্পিয়নশিপ অসিদা পূন্না ব্রোঞ্জ মেদল অনী ফংখি। নুপীগী চহী ২১ মথক্কী কেজি ৫৫ মখাগী কুমিটেদা সয়িদ হসিনানা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংখি।

মণিপুর টিম অসি সাইগী করাটে কোচ সেনসৈ সোইবম চন্দ্রিমানা টিম কোচ অদুগা সিহান কিরনকুমার থাংজম্না মণিপুরগী দেলিগেট ওইনা শরুক য়াখি।



HL-B/3378/10/10-0/11



HL-B/3346/29/09-28/10



HL-B/3413/22,24 to 8 Nov.

